# দবাং মুম্বাইনা রাঞ্চি রেজবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে



মুম্বাই, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ

কোইল ইন্দিয়াগী মরিশুবা এদিসনগী হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা দবাং মুম্বাইনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইবদা নত্তনা লীগ অসিগী মকোক্তা লৈরিবা রাঞ্চি রেজবু ৭-৫ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিদা মখোয়গী অহানবা মায় পাকপা মেচ ওইখ্রে।

মেচ হেক হৌখিবগা অকনবা প্রেসর খরা থেংনখ্রবসু মুম্বাইনা মেচকী অনীশুবা হাফতা মীওই তরাখক্তনা শান্নদুনা শক্তি লৈরবা রাঞ্চিবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীখি। মেচকী অনীশুবা ক্বার্টর লোইরমদাইদা মুম্বাইগী ফোৱার্দর য়ৌসুফ অফানবু রেদ কার্দ পীদুনা তান্থোকখ্রবসু মুম্বাইনা মখোয়গী লৈজবা মতিক মথৌনা অদু হনবা লৈতনা শান্নদুনা রাঞ্চি রেজদা চেলেঞ্জ তৌখি।

লীগ অসিদা মুম্বাই দবাংনা ফংখিবা মেচ মঙাগী মনুংদা রাঞ্চি রেজবু মায়থিবা পীখিবা য়ুমশকৈশাগী মেচ অসিদগী পোইন্ট মঙা অমগা ফংদুনা অপূনবা পোইন্ট ৯ ফংখ্রবসু টিম ৬ না শরুক য়ারিবা লীগ অসিগী টেবলদা খ্বাইদগী মনিংদা লৈরি। রাঞ্চি রেজনা হৌজিক ফাওবদা মেচ তরুক শান্নখিবদা অপূনবা পোইন্ট ২২ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখি।

মুম্বাই দবাংনা মখোয়গী মথংগী মেচ ফেব্রুৱারি ৬ তা উত্তর প্রদেশ ৱিজাদর্সকা শান্নগনি অদুগা রাঞ্চি রেজনা কলিঙ্গা লেন্সরসকা ফেব্রুৱারি ৮ দা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

মুম্বাই দবাং অমদি রাঞ্চি রেজ অনীগী মেচ অদুদা থংন-থংননা মায়থিবা নংখ্রবা মুম্বাইনা অমুক্তংদি মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা অকনবা মওংদা শান্নরকখিবা মেচতা মুম্বাইগী দিৱালকর রামনা মেচকী মিনিট ৬ তা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা নিংথিনা বোল অদু কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা মুম্বাইনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মেচকী অনীশুবা ক্বার্টরদা রাঞ্চিনা মুম্বাইগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা এটেক্তা মিনিট ২৮ চৎপা মতমদা ফংখিবা পোনালটি কোর্নর অমদা কেপ্টেন জেক্সননা গোল চনদুনা ১-১ দা মান্ননা লৈখি। মুম্বাইসু হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক্তা শুরজন সিংহনা পাস তৌরকখিবা বোল অমা কেপ্টেন মেথিয়ু স্বাননা ওক্লগা রাঞ্চিগী গোল পেষ্ট তম্না ইশিনখিদুনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ৩-১ দা অমুক্তা লীদ তৌদুনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইরমদাইদা মুম্বাইগী য়ৌসুফ অফাননা রাঞ্চিগী দিফেন্দর অমদা হোকি ষ্টিক্লা কল্লুবদগী অম্পয়ারনা রেদ কার্দ অমা পীদুনা মেচতগী তান্থোকখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরগী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা রাঞ্চিগী সরভঞ্জিৎ সিংহনা মশক থোক্লবা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-৩ দা চাং মান্ননা লৈখি। রাঞ্চিনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা মুম্বাইগী নিলকান্তা শর্ম্মনা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখি। মেচ লোইগদবা মিনিট তরাখক্তমক ঙাইরক্লবা মতমদা মুম্বাইগী জর্মন প্লেয়র ফ্লোরিন ফুচনা ফিল্ড গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৭-৫ দা রাঞ্চি রেজবু মায়থিবা পীখি।

# শ্রীকান্টনা ৯ শুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে, সিন্ধুনা ১২ শুবা মফমদা লৈরে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ

সয়ীদ মোদিগ্রান্দ প্রী গোল্ড মেন'স টাইটল লৌবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী কে শ্রীকান্থনা মহাক্কী হান্নদগী লৈরবা ৱর্ল্ড নম্বর ৯ দা লেংদনা অদুম্মক লৈখিবগা লোয়ননা পি ভি সিন্ধুনা মফম অমা তাথরগা ১২ শুবা মফমদা নৌনা বি দব্লিয়ু এফনা থোকখিবা রেঙ্কিংদা লৈখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলস রেঙ্কিংগী লিষ্টতা সাইনা হেনৱালনা মহাক্কী ৱর্ল্ড নম্বর ২ দা অদুম্মক লৈরি। মহাক্লা লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রী গোল্ডদা মশাগী অনাবা লৈবদগী শরুক য়াখিদে অদুমকপু মহাক গ্রান্দ প্রী অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখিবনি।





সয়ীদ মোদিগী মেন'স দবলসকী ইভেন্টতা রন্নরস অপ তাখিবা ইন্দিয়ন পিয়র প্রানভ জেরি চোপ্রা অমদি অকশয় দেবালকরনা মফম অনী কাখৎলগা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৩৪ শুবদা লৈখি অদুগা মানু অট্রারি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিনা লক্ষনৌগী অপনিং রাউন্দদা মায়থীহৌখিবদগী মফম অনী কুমথরক্লগা নম্বর ২০ দা লৈখি।

সয়ীদ মোদিগী ইভেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌখিবা অদু রেঙ্কিংদা মমি তাদুনা পি কেশয়পনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী হায়থরক্লগা নম্বর ১৫ দা লৈখি অদুগা ঐচ এস প্রন্নোয়না ২৭ শুবা মফমদা লৈখি। অজয় জয়ারামনা ২৫ শুবা মফমদা লৈখ্রে।

মমাঙ চয়োলদা লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙখিবা নুপীগী দলবসকী জুরা জৱালা গুট্টা অমদি অশ্বিনি পেন্নাপনা হান্নগী মফমদগী ফগৎলক্তুনা ১৩ শুবা স্পোটতা লৈখি।

# নোর্থ ইষ্ট গোজু-রিয়ু করাটে কোচিং কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ

কংলৈ স্পোর্টস একাদেমি (কংলৈসা) অমসুং গোজু-রিয়ু করাটে দো মণিপুর, ক্যামগৈ হৈবোং মখোং অনীনা পূন্না খূৎশম্মদুনা অনীশুবা নোর্থ ইষ্ট গোজু-রিয়ু করাটে কোচিং কেম্প ২০১৬ চহীসিগী মে ২ অমসুং ৩ দা পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা মে ৫ দগী ৭ফাওবা নুমিৎ হুমনি চুপ্না অহানবা ইন্টর ষ্টেট গোজু-রিয়ু করাটে দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ সু মফম অসিমক্তদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হায়রিবা করাটেগী কোচিং কেম্প অমসুং করাটে দো চেম্পিয়নশিপ অসি ওল ইন্দিয়া গোজু-রিয়ু করাটে দো ফেদরেশন্না কংলৈসা অমসুং গোজু-রিয়ু করাটে দো মণিপুরদা শিন্ননবা অয়াবা পীরকখিবনি।

মরম অদুনা কংলৈ স্পোর্টস একাদেমি অমসুং গোজু-রিয়ু করাটে দো মণিপুরনা তোঙান তোঙানবা করাটি মশান্নশিংগী শান্নরোয়শিংনা হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৫ দগী মশক নাইরবা শান্নরোয় কয়াসু শরুক য়াগনি হায়না কংলৈ স্পোর্টস একাদেমি (কংলৈসা) গী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৫ না শাবা স্কাদ লাউথোকখ্রে ধোনিনা লুচিংগনি, মনিশ পান্দে য়াওদ্রে




ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ

বোর্ড অফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি-২০ অমসুং লাক্লিবা এসিয়া কপ ২০১৬ কী স্কাদ ঙসি লাউথোকখ্রে।

সন্দিপ পটিলনা লুচিংবা কম্মিটিনা খনগৎখিবা স্কাদ অদুদা অনৌবা হাপচিল্লকপা নৎত্রগা লৌথোকখিবা অমত্তা য়াওবা তৌদনা হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচ অহুমগী সেরিজদা য়াওখিবশিং অদুমক খনগৎখি।

নৌনা সাইদ অসিদা য়াওখিবা অমত্তা ঙাইরবা প্লেয়রনা লেফ্ট আর্ম স্পিন্নর পৱন নেগিনি অদুগা পেসর উমেশ য়াদভ অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী মঙাশুবা ও দি আইগী হেরো মনিশ পান্দে স্কাদতা য়াওবা ঙমখিদ্রে।

আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ অমসুং এসিয়া কপ ২০১৬ কী স্কাদ অসি বি সি সি আইগী সেক্রেটরিনা ঙসি মফম অসিদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা লাউথোকখি।

মেম্বর ১৫ গী স্কাদ অদুদি এম এস থোনি (কেপ্তেন), রোহিট শর্ম্মা, শিখর ধৱান, ভিরাট কোহলি, সুরেশ রাইনা, য়ুভরাজ সিংহ, অজিঙ্কয়া রাহানে, রভিন্দ্রা জাদেজা, হারদিক পন্দয়া, আর অশ্বিন, হরভজন সিংহ, জাসপ্রীট বুমরাহ, অশিস নেহরা, পৱন নেগি, মোহম্মদ শামিনি।

# ফেদ কপ ঃ সানিয়া মিরজা, অঙ্কিটা রাইনানা উজবেকিস্তানবু মায়থীবা পীখ্রে

হুআ হিন, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ

ফেদ কপ্তা থংনা থংননা অনীরক মায়থীখ্রবা ইন্দিয়ানা অরোইবগী পুল এগী মফম অসিদা শান্নখিবা মেচতা অঙ্কিটা রাইনানা মহাক্কী সিঙ্গলস অমদি দবলস মেচতা মায় পাক্তুনা উজবেকিস্তানবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।





প্রেরনা ভাম্বরিনা সাবিনা শারিপোভাবু মিনিট ৫৭ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অঙ্কিটানা নিগিনা অবদুরাইমোভাবু মিনিট ৫৯ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ৬-১, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

দবলসকী রব্বরদা অঙ্কিটানা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সানিয়া মিরজাগা জুরা শেমদুনা শান্নখিবদা অকগুল অমানমুরাদোভা অমদি অরিনা ফোলটসপু ৬-২, ৬-০ দা মিনিট ৪৮ চঙনা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীখি।

ঙরাং শান্নখিবদগী হেন্না ঙসিনা ঐগী সিঙ্গলস মেচ শান্নখিবদা পাঙ্গল য়াম্না কনখি। ঐনা কৃক কৃক তকশন্দুনা শান্নখি অমদি মহাক্কী খুদোংচাবা অমত্তা পীখিদে। করিগুম্বা ঐনা গেম পোইন্ট হন্থরবসু ঐনা মদুগীদমক্তা খনবা তৌদনা মখা তানা কৃক কৃক তকশিন্দুনা শান্নখি হায়না অঙ্কিটানা ফোঙদোকখি।

থাঙ্গৈশেংনা প্রেরনানা মায়থীখিবা অসিনা ঐঙোন্দা মতিং অমা পীখি হায়না সানিয়ানা হায়খি। সানিয়াগা অহানবা ওইনা মহাক্কা শান্নবদা ফংখিবা এক্সরিয়েন্স অদুগী মতাংদা অঙ্কিটানা হায়খি, করিগুম্বা নঙনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরবনি, নঙ ৱারুবগী থোইদোকপা কান্নবা লৈতে হায়খি।

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু থাইলেন্দ অমদি জপানগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবদা মায়থীবখ্রবা মতুং হৌজিক প্লে ওফ মেচতা কাজাখস্থানগা মঙাশুবা অমদি তরুকশুবা মফমগীদমক শান্নগনি।

অমরোমদা, সানিয়া মিরজানা প্রারথানা থোম্বারেগা পাদুনা শান্নখিবা মেচতা জপানগী শুকো অওয়ামা অমদি হোজুমিগী মখূৎতা মায়থীদুনা ১-২ দা জপাননা মাঙজিন থাদুনা লৈখ্রে। ইন্দিয়ানা মমাঙদা ফংখিবা মেচতা থাইলেন্দগী মখূৎতা ০-৩ দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়ানা ফেদ কপকী মখোয়গী গ্রুপ এদা শান্নখিবা দবলসতা সানিয়া মিরজানা য়াম্না থাজদনা জপানগী মখূৎতা ১-২ দা মায়থীখি। অদুবু অঙ্কিটা রাইনানা ৱর্ল্ড নম্বর ৫৬ তা লৈরিবা নাও থিবিনোবু মায়থীবা পীখি।

সিঙ্গলসকী ওপনিংদা প্রারথানা থোম্বরেনা মায়থীখ্রবা মতুং ইন্দয়াগী নম্বর ৱান সিঙ্গলস প্লেয়ার অমদি রেঙ্ক ৩০৭ তা লৈরিবা অঙ্কিটানা হিবিনোবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

রেঙ্ক নেম্না ৫২৩ শুবদা লৈরিবা প্রারথানানা নম্বর ২০৬ তা লৈরিবা থোজুমিগী মখূৎতা ২-৬, ১-৬ তা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা ০-১ দা লৈখি। অদুম ওইনমক সাইনা অমদি প্রারথানানা শুকো অওয়ামা অমদি হোজুমিগী মখূৎতা ৫-৭, ৩-৬ তা মায়থীহৌখি। অওয়ামানা কুমজা ২০১৩ দা দবলসকী রেঙ্ক ৩১ দা লৈখিবনি।

# গ্বাটেমলাগী সোকর ফেদরেসন শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নরে

গ্বাটেমলা সিটি, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ

ফিফাগী মরুওইবা থৌ পুরিবা মীওই কয়াগী মথক্তা য়ু এস ওথোরিটিজনা শেঞ্জা থুমজাগী মরাল শিদুনা থিজিনবগী থবক অকনবা মওংদা চথরিঙৈ চৈরক অসিদা মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাউবা গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা গ্বাটেমলাগী সোকর ফেদরেসনদা কায়থখিবা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন অমরোম মমাঙ চহীদা মাঙলম্বা য়াই হায়না ন্যুজ এজেন্সী অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী ফেব্রুৱারি থাদগী ওক্টোবর থা ফাওবদা গ্বাটেমলাগী সোকর ফেদরেসন ওইরিবা ফেদেফুটনা ফিফাদগী তাঙ্কক মাপনলক্তা অপূনবা শেনফম য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১.১ ফংখি হায়না ফেদরেসনগী একাউন্টেন্টনা খুৎয়েক পীখিবা দোক্যুমেন্টশিং অদু পল্লদুনা ন্যুজ এজেন্সী অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, গ্বাটেমলাগী সোকর ফেদরেসননা মমাঙ চহীদা পুথোকখিবা বজেটতা অপূনবা শেনফম য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১.৫ মুক পুথোরকখ্রবসু ফিফাদগী কায়থরকখিবা শেনফম অদু শুপ্পগী য়ু এস দোল্লর ২,৫০,০০০ খক্তনি হায়না পল্লদুনা তাঙ্কক মাপনলক্তা ফিফাদগী ফংখিবা শেনফম বজেট অদুদা য়াওখিদে হায়না ন্যুজ এজেন্সী অদুনা রিপোর্ট তৌরি।

ফেদরেসন অসিগী ওইবা মীওইশিং শেঞ্জা থুমজাগী মরালদা ফাগৎখিবদগী গ্বাটেমলাগী সোকর ফেদরেসনবু মথৌ তৌবা ঙমহন্নবা খনখিবা ফিফাগী কম্মিটি অমনসু থিগৎপা হৌখ্রবনি।

ফিফাগী কম্মিটি অসিনা ইরাই নুমীৎতা মফম খঙদনা মাঙখ্রবা শেনফমশিং অদুগী মতাংদা সেন্ট্রেল অমেরিকাগী এর্টৈনি জেনরেলগী ওফিসতা ৱাকৎতুনা চথখিবা ক্রাইম অদু কুপ্না থিজিনবীনবা হায়জবা লৈখ্রবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী ক্রিকেটর বেট্টিং তৌরম্বগী বেন তৌখ্রে



সিদনি, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী ক্রিকেটর অমা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দগী নুপানা শান্নখিবা টেষ্ট মেচ অমদা বেট্টিং তৌখিবগীদমক থা তরুক্কী অথিংবা থমখ্রে।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা অমদি ৱিমেন'স টুয়েন্টি ২০ বিগ বাশ লীগতা পার্থ স্কোর্চরসকীদমক কোন্ট্রেক্টতা লৈরিবা প্লেয়র পিপা ক্লিয়রিনা মমাঙগী নবেম্বরদা শান্নখিবা অহুমশুবা টেষ্টতা অপূনবা শেনফম ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর ১৫.৫০ (য়ু এস দি ১১) বেট্টিং তৌখিবগীদমকথা ১৮ অমগা মখা তানা সস্পেন্দ তৌখি। নুপাগী মেচতা বেট্টিং তৌখিবগীদমক হন্দক্তা সেঙ্কসন তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী প্লেয়র মহাক্কা থারগা অনী শুরে। সিদনি সিক্সরগী লেগ স্পিন্নর এঞ্জেলা রিকিসনা কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা য়ু এস দি ৯ থাখিবগীদমক চহী অনী সস্পেন্দ তৌখি।

ঐখোয়না প্লেয়রশিংনা ক্রিকেটতা শেল থানবগী মখল অমা হেক্তগী থৌওং থিংনবগীদমক জেরো টোলরেন্সপু থবক্তা ওন্থোক্লি হায়না ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটকী হেদ ইয়ান রোয়না হায়খি।

# ইন্দিয়ানা ফিফা রেঙ্কিংদা ১৬২ শুবা মফমদা লৈখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ৫ ঃ

মালেমগী ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা ঙরাং নৌনা থোকখিবা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ন নেসনেল ফুটবোল টিম্না মফম অমা কাখৎলগা ১৬২ শুবা মফমদা লৈখ্রে।

ফিফাগী অনৌবা লিষ্ট অদুদা ইন্দিয়ানা অপূনবা পোইন্ট ১৩৯ ফংদুনা লৈরি। মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা অফঘানিষ্টানবু ২-১ দা মায়থীবা পীখিদুনা হান্না ১৬৬ তা লৈরম্বদগী মফম অহুম কাখৎলগা ১৬৩ শুবা মফমদা লৈখিবনি।

ফিফাগী লিষ্ট অসিদা এসিয়ন নেসনসকী ওইনা ইরাননা (৪৪) রেঙ্ক খ্বাইদগী ৱাংনা লৈবা লৈবাক ওইখি অদুগা সাফ কপগী রন্নর্স-অপ তাখিবা অফঘানিষ্টাননা মফম অমা কুমথরগা ১৫৪ শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

অমরোমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন জর্মনিনা মরিশুবা স্পোটতা লৈখি। বেলজিয়ম্না লিষ্টকী টোপ্তা লৈখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড কপকী রন্নর্স-অপ অর্জেন্টিনানা অনীশুবা অমদি স্পেননা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা ব্রাজিলনা তরুকশুবা মফমদা লৈখি। পোর্টুগলনা তরেৎশুবা মফমদা অদুগা কলম্বিয়ানা নিপানশুবা, ইংলেন্দনা মাপন অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা তরাশুবা পোজিশন্দা লৈখ্রে।

এফ নম্বর ১০/৭/২০১৫-দি সি ঐচ/পি এম এন্দ ঈ

## গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
## মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস

ওফিস ওফ দ দিবলপমেন্ট কমিস্নার ফোর হেন্দলুমস

**সন্ত কবির এৱার্দ, নেসনেল এৱার্দ এন্দ নেসনেল মেরিট সার্টিফিকেট ২০১৫**

হেন্দলুম সেক্টরগী লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিংগীদমক মখাদা পীরিবা অকুপ্পা ৱারোলশিং অসিগী পরিংদা মখাগী এৱার্দ মখলশিং অসিগীদমক ইন্দিয়াগী রেসিদেন্টশিংদগী প্রেস্ক্রাইব ফোর্মেটতা মেনশিল্লবা এপ্লিকেসনশিং কৌরিঃ-

| সেরিএল | এৱার্দ মমিং | এৱার্দশিংগী খ্বাইদগী য়াম্বা মশীং |
|---|---|---|
| ১. | **হেন্দলুম ৱিভরশিংগীদমক** | |
| (i) | সন্ত কবির এৱার্দ | ১০ |
| (ii) | নেসনেল এৱার্দ | ২০ |
| (iii) | নেসনেল মেরিট সার্টিফিকেট | ২০ |
| ২. | **হেন্দলুম পোথোকশিং য়োকখৎনবগীদমক দিজাইন অমসুং দিবলপমেন্টকীদমক** | |
| (i) | নেসনেল এৱার্দ | ০৩ |
| (ii) | নেসনেল মেরিট সার্টিফিকেট | ০৬ |
| ৩. | **হেন্দলুম পোথোকশিং য়োনবগীদমক** | |
| (i) | নেসনেল এৱার্দ | ০৫ |
| (ii) | নেসনেল মেরিট সার্টিফিকেট | ১০ |

১. এলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া, চহী, হৈ-শিংবনচিংবগী মতাংদা অহেনবা ঈ-পাউগীদমক ওফিস ওফ দ দিবলপমেন্ট কমিস্নার ফোর হেন্দলুমসকী ওফিসকী ৱেবসাইট (www.handlooms.nic.in) তগী অকুপ্পা মরোলশিং দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। ঈ-পাউ/তেংবাঙগীদমক নহাক্লা খ্বাইদগী নকপা ৱিভর সার্বিস সেক্টর নৎত্রগা জোনেল দিরেক্টর, ৱিভর সার্বিস সেন্টরদসু উন্নবা য়াই।

২. খ্বাইদগী নকপা ৱিভর সার্বিস সেন্টরদগী এপ্লিকেসনশিং ফংগনি নৎত্রগা দিবেলপমেন্ট কমিস্নার ফোর হেন্দলুমসকী ওফিসকী ৱেবসাইট (www.handlooms.nic.in) তগীসু দাউনলোদ তৌবা য়াগনি।

৩. খূৎনা শাবা সেম্পলশিং/মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা হিরম পূম্নমক মপুং ফানা মেনশিল্লবা এপ্লিকেসনশিং থেংলবদা মার্চ ১৫, ২০১৬ ফাওবদা খ্বাইদগী নকপা ৱিভর সার্বিস সেন্টরদা থাগৎলক্কদবনি।

**দিবলপমেন্ট কমিস্নার (হেন্দলুমস)**
উদ্যোগ ভবন, ন্যু দেল্লি

davp 41102/11/0025/1516

HL-B/2879/6/01-6/Feb

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/CHOSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 20 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng, Compt. Sc)
CLASS HAS JUST STARTED
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
CLASS STARTS ON : 18th JAN. 2016 LAST DATE : 16th JAN. 2016
Class Timing : (Either morning or evening students can join in both classes)
Morning (5:30 to 8:00) a.m.
Evening (4:30 to 7:20) p.m.
Please Contact :
Office of the BCC Manipur
Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856279435

HL-B/2890/9/1-9/2

IPS THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
CANCHIPUR
THE ONLY SCHOOL IN MANIPUR WITH ALL ROUND DEVELOPMENT
THE PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS
ADMISSION IS GOING ON FOR 2016 FROM PRE-NURSERY TO CLASS IX
(BOTH SCHOOL & BOARDING)




* AWARDED FOR BEST SCHOOL
* AWARDED FOR BEST PRINCIPAL
* LOWEST ADMISSION FEES & TUITION FEES WITH MEGA FACILITIES
* 12 TIMES STATE WINNER IN CO-CURRICULAR ACTIVITIES

KFC THE KANGLEIPAK FITNESS CENTRE
A BLOCK OF GYM OF IPS
REGISTRATION OPENS FOR FITNESS TRAINING
(BOTH GYM & AEROBIC)



COME AND JOIN AT KFC OF IPS CANCHIPUR AND BE A FIT MAN
GYM HOURS 5AM TO 8PM. TRAINING FEE 500/- ONLY